# বার্দ ফ্লু




– ডা. সরাংথেম জেসমারানি –

বার্দ ফ্লু নৎত্রগা এভিয়ান ইনফ্লুয়েঞ্জা হায়না খঙনরিবা লায়না মখল অসি ভাইরসনা থোকহনবা লায়না মখল অমনি। বার্দ ফ্লু থোকহল্লিবা ভাইরস মখল য়াম্মী। খরা অমদি মীওইবদা অকায়বা পীদে অদুবু ভাইরস খরা হায়বদি $H_5N1$ অমদি $H_7$ $N_9$ দি মীওইবদা হেন্না শাথিবা মওংদা লায়না শন্দোরকই। ইহান হান্না বার্দ ফ্লুগী লায়ওংসি চাইনাগী গ্বাংজৌ প্রোভিন্সতা য়াম্না শাথিরবা মহীক মখল $H_5N_1$ ভাইরসসি যূমদা য়োকপা কাংঙাদগী আইসোলেট তৌই। ইন্দিয়াদনা বার্দ ফ্লুসি ইহান হান্না মহারাষ্ট্রগী ননদুবার দিষ্ট্রিক্টতা কুমজা ২০০৬ কী ফেব্রুৱারী ১৬ তা থোকপা হৌরকই।

বার্দ ফ্লু থোকহল্লিবা মহীকশিংসি লমলক্কী উচেকশিংদা মশাদা য়াওরগা লৈবনা মখোয়না যূমদা য়োল্লিবা য়েন ঙানুশিংগী মচিঞ্জাক অমদি ঈশিংদা কন্টামিনেট তৌদুনা য়েন ঙানুশিংনা চাশিন্দুনা লায়নাসি শন্দোরকই। মসিদসু নত্তনা মহীক চেল্লবা উচেকশিংনা মফম অমদগী মফম অমদা চৎথোক চৎশিন তৌবদা নৎত্রগা অনাবা য়েন ঙানুশিং পুবা গাড়ীদা লৈহৌরিবা মহীকশিংসি মফম অমদগী অমদা শন্দোরকপদা অচৌবা মতেং পাঙই। মণিপুরদসু ইহান হান্না কুমজা ২০০৭ কী জুলাই ৭ তা বার্দ ফ্লুগী লায়নাসি ইম্ফাল ইষ্টকী চীংমৈরোংদগী শন্দোরকই। মসিদা নুমিৎ ৬নিগী মনুংদা য়েন ১৪৪ গী মনুংদা য়েন ১৩২ শিখি।

**বার্দ ফ্লু লায়নাসি শন্দোরকপগী মখল কয়া অমা লৈ। মখোয়শিংদু মখাদা থমজরি ঃ-**

১) অনাবা য়েন ঙানুশিংগী মথি-ময়ুংদগী লায়নাসি থোকহল্লিবা মহীক কয়া অমনা নাদবা য়েন ঙানুশিংদা শন্দোক্লবগী অচৌবা মচাক অমা ওইহল্লি।

২) লম অমদগী অমদা কোয়পাই পাইদুনা লৈবা ঈশিংদা চাক্তাবা লমলক্কী উচেকশিং মপূং ওইনা লম ঙানুশিং অসি লায়না অসি নাগন্দ্রগসু লায়না অসিবু থোকহল্লিবা মহীকশিং মশাদা য়াওদুনা পুবা উচেকশিংনি। মখোয়না হকথেংননা নৎত্রগা নাকোয়ননা শম্নরুবদগী যূমদা য়োকপা য়েন ঙানুশিং অসিদা বার্দ ফ্লু নাহল্লকই।

৩) য়েন ঙানুগী মচিঞ্জাকশিং, ফার্মগী মপোৎ মচৈ, গাড়ীনা চীংবদসু মহীক অসি শনে দাক্তুনা লায়না অসি নাদবা মফমশিংদা নাহল্লি।

৪) অনাবা য়েন ঙানুশিংগী ফার্মশিংদা চৎলুবা মীশিংগী মফি মরোলশিংদা মহীক অসি পল্লক্তুনা মসিনা অতোপ্পা নাদবা য়েন ঙানুগী ফার্মশিংদা চঙলুবদা মহীকশিংসি শন্দোরকপগী অচৌবা মচাক অমা ওইহল্লি।

৫) লায়না অসি নারুবদগী ফরল্লবা য়েন ঙানুশিংদসু মতম শাংনা হায়বদি থা অহুম ফাওবা মহীকসি লৈদুনা মহীক চেনবা উচেক ওইদুনা লৈ। অসিগুম্বা মফম অসিদগী অতোপ্পা মফম অমদা য়েরুম, য়েনাও, মশা ওইনা পুবদা মহীক অসি লোইনরক্তুনা লায়নাসি শন্দোরকই।

৬) অহিংবা য়েন ঙানু য়োনফমশিং অসি লায়না অসিবু শন্দোক্লবগী খ্বাইদগী খুদোংচাবা মফম অমসু ওইরি।

**বার্দ ফ্লুগী লায়ওং ঃ-** বার্দ ফ্লুগী লায়ওংসি অতোপ্পা লায়নাগী লায়ওংশিংগা চমন্নবা থোক্তবদি নত্তে অদুবু ঙন্না খঙদোকহৌবা অমদি তোঙানবা লায়ওং ওইহৌরগদি ঙন্না লায়নাসিদগী চেকশিলহৌবা ঙমগনি।

লায়নাসিগী লায়ওংসি মখল য়াম্মী। মসিদা অতোপ্পা লায়ওং হায়বদি অতোপ্পা লায়না লৈরম্বা য়াওরকপা, য়েন ঙানুশিংগী মশাগী চহী, মখোয়না লৈরিবা অকোয়বগী ফীভম অমদি লায়না অসিবু থোকহল্লিবা ভাইরসকী সবটাইপশিংগী মখা য়াম্না পোল্লি।

খরা শাথীবা মওংদা ওইরগদি লায়নাসি লায়ওং ইখঙ খঙহৌদনা লায়ওং উৎত্তনা পাক্তক্লনা শিবা য়াওই অদুগা অতোপ্পা লায়ওং খরা হায়বা তারগদি ঃ-

: মকোক, মীৎপান, মত্রোক, মখোঙ পোক্লকপা
: মশা শোন্থরকপা
: য়েনগী মত্রোক অমদি মখোঙ শংজিল্লকপা
: মরুম কোকপগী চাং হন্থরকপা
: মরুমগী মকুদু পাথরকপা
: ঈশিং ওইনা মখোঙ হামথরকপা
: স্বর হোনবা ৱারকপা
: চানিং থক্লিংদবা
: মখোঙ পঙথরকপা

**লায়নাসি খরা হন্থবা মওংদদি-**

: লোক খুবা, নাতোন মহী চেনবা
: মমায় পোমখৎপা
: নর্বকী লায়েং উরকপা
: ডাইরিয়া তৌবা

বার্দ ফ্লুগী লায়নাসি অনাবা য়েন ঙানুদগী মীওইবদা লৌনৈ অদুবু অনাবা মীদগী অতোপ্পা মী অমদদি লৌনদে। বার্দ ফ্লুগী লায়নাসি মীওইবদা লৌনবা মতমদা মহীক চল্লবা মীদু শিবা ফাওবা য়াওই।

শাথীবা মওংগী অনাবদদি শিবগী চাংসি চাদা ৯০ দগী ১০০ ফাওবা ওই অদুগা খরা হন্থবা মওংগী লায়না অসিদদি শিবগী চাং থোইনা লৈতে। অদুবু কিনিংঙাই ওইরিবদি হন্থবা মওংগী লায়না থোকহল্লিবা মহিক অসিনা থা তরুক্কী মনুংদা শাথিবা মওংগী লায়না থোকহনবা মহীক্কী মপাঙ্গল লাক্তুনা শাথীনা অমাঙ অতা থোকহনবগী থৌদোক কয়া অমগী রিপোর্ট লৈরি।

**ঙাকথোক্লবা চেকশিন থৌরাংশিং ঃ** মীয়াম্না মরু ওইনা য়েন ঙানু লোয়বিরিবশিংনা মতম পুম্নমক্তা মশাগী য়েন ঙানুশিংগী মরক্তা বার্দ ফ্লু অসি নাবগী চিংনবা লৈব্রা হায়বদু কুপ্না শেন্নবীবগী তঙাইফদবা লৈ। করিগুম্বা চিংনবা য়াবা হেক য়াওরকপগা খুদক্তা অনাবশিংদু তোঙান্না মফম চাবা য়েংলগা থম্বীগনি অমদি মনাক নকপদা লৈবা ভেটিরিনরি দিপার্টমেন্টকী মীওইশিংগা তান্নদুনা অমদি খুদক্তা থেংনবা ঙম্নবা মীকুপ নাহুম শীংনা শেন্নদুনা লৈনবা হোৎনবীগনি।

লায়না অসিগী লায়চৎসি খুদক্তা থোরক্তুনা য়েন ঙানু কয়ামরুম শিবা তারগদি লৈহৌরিবা য়েন ঙানুশিং অমদি অকোয়বদা লৈরিবা য়েন ঙানুশিং খুদক্তা হাৎতোকপীরগা মফম চানা ফুন্বীবা নৎত্রগা মৈ থাদোকপীগনি।

- অসিগুম্বা মতমসি য়ৌরক্লগদি য়েন ঙানুশিং মফম অমদগী অমদা পুথোক পুশিন তৌবা থিংবীগনি।

- য়েন ঙানুশিংনা লৈরল্লিবা মকোনশিংদু ডিসইনফেক্টেন শীজিন্নদুনা শেংদোকপীগনি। মসিনা মহীক্কী চাং হন্থহল্লি।

- লায়না অসিবু শন্দোরক্লিবা মফমদু নীংথিনা অখঙ অহৈশিংগা তানদুনা খঙদোক্লগা মাগী ইনফেক্সন তৌরকপগী মফমশিং খঙদোকপীবা মথৌ তাই।

মফমসিদদি টিকা থাবগী খুদোংচাবা লৈতবনিনা চেকশিন্না লূ-নান্না য়েন ঙানুশিংগী মকোনশিং থম্বীগনি অমদি অতোপ্পা উচেক ৱায়াশিং চঙলক্তনবা হোৎনবীগনি। খ্বাইদগী চেকশিনবীগদবদি য়েন ঙানু শেন্নবীরিবা মপুশিংদা মখোয়না শেৎ চারিবা ফিরোলশিংদু লূ-নান্না শেৎপীগনি অমদি মকোন মনুংদা তোংলগা চঙগদৌরিবা খোঙউপতু ডিসইনফেক্টনতা লুপ্পগা চঙবীগনি। ●

# লৌউবগী পোত্থোক হেনগৎহন্নবা হোৎনবদা সেকেন্দরি ন্যুত্রিএন্টকী থৌদাং - ৩

ডা. ৱাইখোম জিতেন

সেকেন্দরি ন্যুত্রিএন্টকী মনুং চল্লিবা কেলসিয়ম অমসুং মেগনিসিয়মগী মরমদা নৈনখ্রবা মতুংসিদা ঙসি লেমহৌরিবা সেকেন্দরি ন্যুত্রিএন্ট সলফরগী মরমদা নৈনজরি। হৌজিক চত্থরিবা লৌউ কাঙলোন অমসুং অকোয়বগী খল কায়দনবা ইন্দষ্ট্রিশিংদা পায়খৎলিবা চেকশিন থৌরাংশিংনা মরম ওইদুনা লৌফমশিংদা সলফর ফংবগী চাং অসি নেমথরক্লি। অমরোমদা অমুক করিগুম্বা পান্বী মখল খরদদি সলফর অসি ফোসফরসকী চাং য়ৌনা লৌফমদগী পান্বীশিংনা লৌখৎখিবনা মরম ওইদুনা মহাক্কী মরু ওইবসি নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্লি।

হৌজিক্তি সলফর অসি নাইত্রোজেন ফোসফরস অমসুং পোটাসকী হেক মতুংদা মরিশুবা মরু ওইবা পান্বীগী মচিঞ্জাক হায়রগা খঙনরে। সলফরনা পান্বীশিংদা লৌরিবা থৌদাং -

১) পান্বীশিংদা য়াওরিবা এমিনো এসিদশিংগী মনুংদা Cystine, Cystiene অমসুং Methionine কৌবা এমিনো এসিদশিং অসি শেম্বদা শোয়দনা চঙদবা য়াদ্রবা পান্বীগী মচিঞ্জাক অমনি। সলফর ৱাৎপা পান্বীশিংনা প্রোটিন ওইনা ওন্থোকপা ঙমদ্রবা নাইত্রোজেনগী মখলশিং মরাং কায়না য়াওদুনা পান্বীশিং অসিগী মগুন হন্থহল্লি।

২) পান্বীগী মনাশিংবু শঙহল্লিবা ক্লোরোফিল কৌবা পোৎলম অসি শেম্বদা সলফর অসি চঙই।

৩) তিলহৌ অমদি হঙ্গামগুম্বা পান্বীশিংদা মীৎ কাহনবা মনম অমা নল্লিবসি সলফর য়াওবা হীদাক মখল অমনা থোকহনবনি।

৪) থাও থোকপা পান্বীশিংদা থাও থোকপগী চাং হেনগৎহন্নবা হোৎনবদা সলফর অসি চঙদবা য়াদ্রবা পান্বীগী মচিঞ্জাক মখল অমনি।

৫) নুংশিৎতা য়াওবা নাইত্রোজেনশিংবু হৱাই পান্বীশিং অমদি অতোপ্পা পান্বী মখলশিংনা তোঙান তোঙানবা বেক্টেরিয়া মখলশিংগী মতেংনা ফাজিনবদা সলফর অসি চঙদবা য়াদ্রবা পান্বীগী মচিঞ্জাক মখল অমনি।

৬) সলফর অসি Vit. $B_1$, Co-enzyme $A_1$ অমদি Glutathione গুম্বা মখলগী পোৎলমশিং অসি পান্বীনা শুংজবদা তঙাইফদনা চঙই।

সলফর তোয়না ৱাৎকনবা লৌফমশিং :-

১) লৈঙোইনা মপূং ওইনা তৌবা লৌফমশিং, লোয়ন-লোয়ননা নোং মরাং কায়না তাবা মফমশিংদা নোংগী ঈশিংনা চুমথদুনা পুথোকখিবদগী সলফর ৱাৎকল্লি।

২) পান্বী-শিংবী অমদি শা-ঙাগী অমাং অশোইদগী ওইবা লৈবাক লৈশা য়াওবগী চাং নেম্বা লৌফমশিংদা সরফর তোয়না ৱাৎকল্লি। লৌফম অমগী ওর্গানিক কার্বোন য়াওবগী চাং অসি ০.৭% ওইরবা নৎত্রগা ওর্গানিক মেট্টর য়াওবগী চাং অসি ১.২% ওইবা মতমদা সলফর তোয়না ৱাৎকল্লি।

সলফর ৱাৎপগী লায়ওং উৎথোকহনবা লৌউ-কাঙলোন-

১) লৌফমদগী সলফর য়াম্না লৌথোক্কনবা পান্বী মখলশিং খুদম ওইনা তিলহৌ, চনম, হৱাই, হঙ্গাম তোয়না লেপ্তুনা থাগনবা লৌফমশিং।

২) সলফর য়াওবা হারশিং খুদম ওইনা সিঙ্গল সুপর ফোসফেটকুম্বা শীজিন্নদবা লৌফমশিংদা সলফর ৱাৎপগী লায়ওং তোয়না উৎকল্লি।

৩) সলফর য়াওবা হীদাক লাংথক শীজিন্নদনা সলফর য়াওদবা ওর্গানিক ওইবা হীদাক লাংথক ঙাক্তা শীজিন্নবা লৌফম।

সলফর ৱাৎপা পান্বীশিংদা উৎপা লায়ওং :-

১) পান্বীগী অনৌবা মনাশিংগী অশংবা মচু মাঙখিদুনা হঙ্গাম মপাল মচু ওইরকই।

২) পান্বীশিংনা প্রোটিন শুংবা ঙম্বগী শক্তি হন্থখিদুনা পান্বীশিং চাওদম থিলহল্লি।

৩) পান্বীশিং ময়াং ইকং কংবগা লোয়ননা শিগংনৈ।

৪) মনাগী মতোন অমদি ফিরালশিং অদু মনুং লোমদা কোনশিল্লকই।

সলফর ৱাৎপগী থৌওংশিং কোকহন্নবা পায়খৎপা য়াবা পান্থেশিং :-


১) সলফর য়াওবা হারশিং সিঙ্গল সুপর ফোসফেট অমসুং পোটাসিয়ম সলফেটকুম্বা শীজিন্নবা।

২) লৌফমদা ইলিমেন্টেল সলফর, জিপসম অমসুং Phosphogypsum শীজিন্নবা।

৩) পান্বীগী মনাশিংদা Epsom ($Mg\ SO_4$) মহী থিৎলগা কাপ্পীবা।

৪) পান্বীগী মনাদা পোটাসিয়ম সলফেট মহী থিৎলগা কাপ্পী।।

তোঙান তোঙানবা পান্বীশিংদা সলফর পীবা




| পান্বী মখল | হার মখল | পীগদবা চাং |
|---|---|---|
| ব্রোকোলি | ১) মেগনিসিয়ম সলফেট | ঈশিং লিটর ১৫দা গ্রাম ১৫০ |
| | ২) পোটাসিয়ম সলফেট | ঈশিং লিটর ১৫দা গ্রাম ৪৫ |
| থাও থোকপা মরূশিং হঙ্গাম, লৈবাক হৱাই | Phosphogypsum Gypsum | লৌ পরি অমগী লৌফমদা লৈরক্তা সলফর কেজি ৪০-৬০ ফাওবা চাইবীবা য়াই। |

মতৌ অসুম তৌনা চান্নবা হার মখলশিং চান্নবা হারগী চাং য়েংবীরগা চাইবীদুনা পোৎথোক চাথোক হেনগৎহন্নবা হোৎনবা হায়বসি মতম অসিদা তৌদবা য়াদ্রবা থবক থৌরম অমা ওইরে। ●

## ষ্টেটকী পাউ

# কর্ফিয়ু মনুংদা এম এল এ রাধেশ্যামগী মনাউনুপানা কোংগ্রেসকী ৱার্করদা ফুরল্লে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২০ (ঐচ এন এস): ঙরাং নুমীদাং পুং ৮.৩০ রোম তাবা মতমদা হৈরোক এ সীগী এম এল এ, টিঐচ রাধেশ্যামগী মনাউনুপা থোকচোম সনাথোই (৪৮), লাইশ্রম অরুনকুমার (২৯) অমদি মহাক্না লোয়ননা লাকপা মীওই ৩০/৪০মুক্না হৈরোক পার্ট ২ লাইশ্রম লৈকায়দা লৈবা টিঐচ সেনয়াইগী মচানুপা টিঐচ বোইবু মহাক্কী যূমদা লাক্লগা ফুবিরম্বগা লোয়ননা মশাদা য়াওবা শেল অমদি মোবাইলসু মুনবিখ্রেহায়না টিঐচ বোই মশামক্না হৈরোক পুলিস ষ্টেসনদা এম্বুলেন্স অমদা লাক্তুনা কমপ্লেন পীশিল্লুরবা মতুংদা পাউমীশিংদা ফোঙদোরকখিবনি হায়রি।

টিঐচ বোইনা মখা তানা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা লাইশ্রম অরুনকুমার হায়রিবা মীশক অসি মমাংদসু হৈরোক পার্ট ২গী দেবি মান্দোপ লৈকায়দা নোংমৈ পায়দুনা মী হাৎনবা হোৎনরম্বদগী মতম কুইনা জেলদসু লৈরুরবা মীওই অমনি। ঙরাং থোকখিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা মহাক্না হায়, ঙরাং নুমীদাংগী মতমদা মহাক্কী যূমগা থংনবা যূমশিংগী যূমথক্তা নুঙনা থাবগী মখোল তাবদগী নুং থারিবশিং অসি কনা ওইরবজাৎনো হায়না য়েংবা থোকখি। লোয়ননা নুমীদাংগী মতম অদুদা মীগী যূমদা করিগীদমক অমদি কনানা নুঙ থারিবনো হায়বা খঙনবগীদমক যূমগী মপান্দা থোক্তুনা থীরুই।

অদুবু যূমথক্তা নুঙ থারিবদু অঙাংশিংনা ওইরম্বা য়াই হায়না যূমদা তুমিন্না লৈরিঙৈ চৈরক্তা হৈরোক এ সীগী এম এল এ, টিঐচ রাধেশ্যামগী মনাউনুপা টিঐচ সনাথোই অমদি লাইশ্রম নাওবা মখোয় অনীনা যূমদা চঙলক্তুনা মহাকপু য়াম্না ফাউব্রা, নঙ নৎত্রা য়াম্না ফাওই হায়রিবসি হায়বনচিংবা ৱাহৈ-ৱাতা কয়া শীজিন্নদুনা মহাক্কী মকোক্তা য়োৎচৈ অমনা কল্লকখিবনি। মদুনা মরম ওইরগা মহাক্কী মকোক্তা শোকখি। মরম অদুনা মহাক্কী মকোক্তা নাবগা লোয়ননা নুমীদাং অদুদা ৱা ফাওবা ঙাঙবা ঙমখিদে। নুমীদাংগী মতমদা মখোয় অনীনা য়োৎচৈনা য়াম্না কন্না কোক্তা কল্লম্বা মরম্না হকচাংদা নুংঙাইতবা কয়া ফাওবগা লোয়ননা মশাদা ওনিংবা ফাওবা অমদি মকোক ঙাওবগী থৌওং কয়া থোকপদগী মনাক নকপা হোস্পিটাল অমদা চৎতুনা লায়েংখি হায়রি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা মীখল ময়া অসিদা অসিগুম্বা তৌহন্নিংদবা থবক কয়া থোল্লক্তুনা মখোয়না মহাক্কী পুন্সিবু তেমশিন্নরক্লিবা মীওইশিং অসিদা মরি লৈনবশিংনা অথুবা মতমদা লিগেল এক্সন লৌখৎতুনা চৈরাক পীবিয়ু হায়নসু ফোঙদোরকখি হায়রি।

# এন পি এফকী থৌওংবু আর য়ু দল্লিয়ু এলনা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২০ (ঐচ এন এস): মীখল মতম নকশিল্লকপগা লোয়ননা থোকহন্নিংদবা থৌদোক-ৱাথোক কয়া ৪১-চান্দেল এ সীগী ৱেষ্টর্ন ভেলি এরিয়াগী উনোপাৎ ভিলেজদা ঙরাং নুমীদাং এন পি এফকী ৱার্করশিংনা যূম-যূমদা চঙদুনা এন পি এফতা ভোট পীগদবনি হায়না চত্থখিবা পামদবা থৌওংবু অকনবা মওংদা য়ানিংদে লোয়ননা মীখলগী কাংলোন চুম্না তংদু লৈতানা পাঙথোকহনবিনবা দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসর, দি ই ও চান্দেলদা ৱেষ্টর্ন ভেল্লি এরিয়াগী মৈরা পায়বি লুপ এস আই এন-আর য়ূ দল্লিয়ু এলগী প্রসিদেন্ট আর দি নিহরিংনা আপিল তৌরক্লি।

ৱেষ্টর্ন ভেল্লি এরিয়াগী খুল ১১গী মীহুৎশিং য়াওনা ঙমখু ভিলেজদা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা আর দি নিহরিংনা হায়খি, ঙরাং নুমীদাং পুং ৭মুক্তগী নোংয়াই মতুং পুং ১ ফাওবদা এন পি এফকী ৱার্করশিংনা খুৎশু-খুৎলায় পায়দুনা উনোপাৎ ভিলেজগী যূম-যূমদা চঙদুনা এন পি এফতা ভোট পীগদবনি হায়দুনা অকী-অখঙ য়াওনা পোৎচৈকয়া অমাঙ-অতা থোকহল্লম্বগী থৌদোক য়ানিংদে। থৌওং অসি এন পি এফকী ৱার্করশিংনা খুলগী অয়াবা য়াওদনা ময়াই কাবা চিঞ্জাক থিংবগী মীংদা চত্থখিবনি হায়রদুনা তোঙান-তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টিশিংদা কেন্দিদেট ওইরিবশিংনসু ৱেষ্টর্ন ভেল্লি এরিয়াগী খুল ১১দা ইলেক্সন কেম্প্যেন ঈংনা-চিক্না পাঙথোক্লবা হোৎনবিয়ু হায়নসু ফোঙদোকখি।

অমরোমদা উনোপাৎ ভিলেজ ওথোরিটিগী সেক্রেটরি কে এল সোলোমোননা হায়, ভিলেজ চীফনা লনাই ইন্টরেষ্টতা অকক্লবা পার্টি অমদা শৌগৎপনচিংবা তৌবিদনবা ফোঙদোক্লদুনা উনোপাৎ ভিলেজদা এন পি এফকী ৱার্করশিংনা চত্থখিবা পামদবা থবকশিং অদু মতুংদা অমুক হন্না তৌবিগনু হায়খি। লোয়ননা সুপ্পুলিসনা মতম চানা য়েংশিনবিবগীদমক্তসু থাগৎপা ফোঙদোকখি হায়রি।

# চীংগী লমশিংগী বাউন্দরি ইস্যুশিংদা য়ুম্ফম ওইরগা মীখল থেংনগনি : দেবিদ মরিং

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২০ (ঐচ এন এস): চীংগী লমশিংগী বাউন্দরি ইস্যু, মহৈ-মশিন, লৌউ-শিংউবা, হকশেল অমদি দিভেলপমেন্টদা অহেনবা মীৎয়েং থমদুনা মীখল থেংনগনি হায়না ১২শুবা মণিপুর ষ্টেট এসেমব্লি ইলেক্সনদা ৪২-তেংনৌপল এ সীদা আর পি আই (এ)গী মীরেপ ওইরিবা কেঐচ দেবিদ মরিংনা ফোঙদোকখ্রে।

চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী ফুনাল সম্বুল ভিলেজ কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা কেঐচ দেবিদ মরিংগী ফিরাল চিংখৎপগী থৌরমগা মরি লৈননা মহাক্না মখা তারদুনা হায়, চীংগী লমশিংদা অঙাং অফবা কয়া থোক্লবসু মমা-মপা অয়াম্বনা লায়রবা শেল-থুমগী ফীভম ফৎতবনা মপুং ফানা লাইরিক লাইশুগী মঙাল ফংহনবা ঙমদ্রি। লৌ উনবা লম লৈতবা অমদি ইথৈ লৌখোংগী ফীভম ফৎতবনা চীংগী লমশিংদা লৌউ-শিংঊগী থবকসু মপুং ফানা পায়খৎপদসু ঙসিসু মায়পাকপা ঙমদনা লৈরি।

৪২-তেংনৌপল এ সীদা লৈরিবা চাওখ্রবা খুল কয়াগী লম্বী-থোং, থক্ল নবা অফবা ঈশিং হৌজিক ফাওবা ফংহনবা ঙমদনা লৈরি। লোয়ননা অনা-লায়েংগী মতাংদসু পি ঐচ এস সী অমা ফাওবা লৈতবা খুল কয়াসু লৈরি। অসিগুম্বা খুদোংচাদবা কয়াসি থেংনবতা নত্তনা ইতৎ-তৎতনা চীংগী লমশিংদা খুল অমগা খুল অমগা বাউন্দরিগী ৱাহৌদা ইরাং কয়া থোক্লি। মসি মহাক্না মীখল অসিদা মায় পাক্লবদি অখন্নবা থৌরাং-থৌশিলগী মখাদা কোকহন্নবা হোৎনগনি। ৪২-তেংনৌপল এ সীদা খুল ১৩ রোমদি তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্ট ওইজরবসু চান্দেল ব্লোকতা য়াওরুবনা দিভেলপমেন্টগী হীরম কয়াদা শোত্থনা লৈরি হায়খি।

লোয়ননা মহাক্না হায়, এ সী অসিদা খুল অমগা খুল অমগা য়াম্না লাপ্পনা লৈবা মরম্না মৈ-ঈশিং অমদি লম্বী-থোংগী মতাংদা অৱাবা খুদোংচাদবা কয়া থেংনরি। মসি মমাংদা টর্ম কয়ারক কারম্লবা এম এল এশিংনা থাজবা কয়া পীরম্লবসু থবক ওইনা অমত্তা ওন্থোকপীরমদবদগী থোকপনি। অসিগুম্বা খুদোংচাদবা কয়া অসিনা চাওনা অৱাবা পীরিবা অসি কোকহন্নবগীদমক্তা মহাকপু মীয়াম্না নুংশিবিদুনা এম এল এ অমা ওইহনবিরবদি অথুবা মতমদা এ সী অসিগী মীচম মীয়াম্না থেংনরিবা অৱাবশিং অসি কোকহনবা ঙম্নবা অমদি চাওখৎ লম্বীদা মাঙজিন থানা চৎপা ঙম্নবা থৌরাং-থৌশিল কয়াসু পায়খৎকনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা আর পি আই (এ)গী ওবজার্ভর নোর্থ ইষ্ট ইন চার্জ বিনোদ নিকালজে, আর পি আই (এ)গী ষ্টেট জেনরেল সেক্রেটরি রোসনিকুমার, ষ্টেটকী তোঙান-তোঙানবা এ সীশিংদগী লাকপা পার্টি অসিগী থৌ পুবশিং অমদি লুচিংবা কয়াসু শরুক য়াখি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।